# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ থাবল্লে

## — ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —

**সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ**

মনম নুংশিবা লৈ শাৎপা পাম্বীশিং খন্ন-নৈনরকপদা থাবল্লে পাম্বী অসি হুন্দোকপা য়াররোইদৌবা পাম্বীনি। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি থাবল্লে পাম্বী অসিগী থোইদোকপা মফম অমা কল্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্করোই হায়না থমজনিংই। পাম্বী অসিগী মমিং থোনখিবা অসি পাম্বী অসি নুমিদাংগী থাবল ফরবা মতমদা মপূং ফানা য়াম্না নুংশিরবা লৈনম য়েন্দুনা ফুগাইনা শাৎপা অদুদগী ওইবনি। পাম্বী অসি কয়া য়াম্না পাম্নবগে অমদি লুম্না লৌনবগে হায়বদা নুপীশিংগী মমিং অসি থাবল্লে কৌনবসু য়াওরিবনি। তশেংনমক থাবল্লে পাম্বী অসি নুংশি-নুংওনগী ওইবা সিম্বোল অমগুম্না লৌনৈ হায়বসিনি। থাবল্লেগী মমিংদা ঈশৈ, শৈরেং অমসুং ফিল্ম ফাওবা পুথোকখ্রে। থাবল ফরবা অহিংদা ফুগাইনা শাৎপা থাবল্লেগী লৈনম অদু নম্বদা নুংশি-নুংওনগী ঈথক-ঈপোম হৌহনবা ঙম্বা মগুণ শীংথাবদা লোইররোইদৌবা পাম্বীনি থাবল্লে।

থাবল্লে পাম্বী অসি ইংলিশতা নাইত ব্লুমিং সেসত্রম (Night blooming cestrum) নৎত্রগা নাইত ব্লুমিং জেসমিন (Night blooming jasmine), হিন্দিদা রাতকী রানী (Rat ki rani), বেঙ্গোলিদা হাসনাহানা (Hasnahana), মরাথী অমসুং কোনকানিদা রাত্রানী (Raatrani), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোতানিকেলগী ওইবা মমিংদা সেসত্রম নোকচরনম (Cestrum nocturnum Linn.) নৎত্রগা সেসত্রম হিরতেলম (Cestrum hirtellum Schltdl.) নৎত্রগা সেসত্রম স্কেন্দেস (Cestrum scandens Thib.ex Dunal) নৎত্রগা সেসত্রম সুবরোসম (Cestrum suberosum Jacq.) হায়না কৌই অমসুং খামেন অমসুং আলু পাম্বীগী শাগৈ হায়বদি সোলানেসী (Solanaceae) দা চল্লি। থাবল্লে পাম্বী অসি মালেমগী অয়াম্বা মফমশিংদা লেদী ওফ দি নাইত (Lady of the Night) হায়না থোইদোক্না মমিং চৎলি। পাম্বী অসিগী বোতানিকেলগী ওইবা স্পিসিসকী মমিং *নোকচরনম* হায়বসি *লেতিন নোকচরনস (Nocturnus) নৎত্রগা নোকচরনা (Nocturna)* হায়বসিদগী লৌথোকপনি অমসুং মসিগী অর্থনা নুমিদাং নৎত্রগা নুমিদাংগী মতমদা মথৌ তৌবা নৎত্রগা মতীক-মঙাল ফুদোকপা হায়বনি- মসিগী নুংগী ওইবা অর্থদি থাবল্লে পাম্বীগী নুংশিরবা লৈনম চেল্লবা মপালশিং অদু নুমিদাংগী মতমদা ফুগাইনা শাৎপা অদুনি।



থাবল্লে পাম্বী অসি ইভরগ্রীন (Evergreen) হায়বদি মতম পুম্নমক্তা শংদুনতা লৈবা ৱুদী হায়বদি উগুম্না কনবা ফুত ১৩ ফাওবা ৱাংবা উ পাম্বী মচা অমনি। পাম্বী অসিগী মনা অসি চপতক্না সেন্তিমিতর ৬ তগী ১০ ফাওবা শাংই অমসুং লংত্রিক লংনা শংই। থাবল্লে পাম্বীগী মপালশিং অসিগী মচু অসি শংতক্না ঙৌই (Greenish white) অমসুং য়াম্না পীকপা মাইক অমগী মওং মাল্লি অমসুং মতোন্দা তুমতক তৌবা মরোং ৫ পাল্লি অমসুং চরোং ওইনা (Cymoseinflorescences) য়াম্থদুনা পাল্লি। হায়রিবা লৈশিং অসি নুমিদাংগী মতমদা মকা ফন্না শাৎতুনা থোইদোক-হেন্দোক্না নুংশিরবা লৈনমশিং থাদোক্তুনা নুংশিৎনা হুমদুনা পুখ্রগা অকোয়বদা শন্দোকখিদুনা নুংশিবা লৈনম ফাওহন্দুনা পূক্নিং শুমহৎপা ঙম্মী। থাবল্লে পাম্বীগী মরু অসি ঙৌতক তৌনা সেন্তিমিতর ৫ রোম পাকই অমসুং সেন্তিমিতর ১০ রোম শাংই। থাবল্লে পাম্বী অসি হঙ্গাম মপাল মচুগী লৈ শাৎপা মখলসু ফংই।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না থাবল্লে পাম্বী অসি ৱেষ্ট ইন্দিজদগী হৌরকখিবা ওইজরবসু ঙসিদি খা থংবা এসিয়াগী লমদমশিংদা শন্দোকখিদুনা মহৌশাগী ওইবা মওংদা (Naturalized) হৌখরে। থাবল্লে পাম্বী অসি সবত্রোপিকেলগী লমদমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজরবসু খরা শারপ তৌবা ত্রোপিকেলগী মফমশিংদসু থোইদোক-হেন্দোক্না মপূং ফানা হৌবা ঙম্মী অমসুং পাক শন্না থানৈ। থাবল্লে পাম্বী অসি ঈশিং মনিলগী চাং য়াম্না য়াওবা, লৈঙোই চেনবা, অশীন-অয়াক ৬.৬ তগী ৭.৫ ফাওবদা লৈবা লৈবাক লৈহাওদা য়াম্না চুশিন্ননা হৌবা ঙম্মী।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না থাবল্লে পাম্বীগী লৈদা য়াওরিবা মনম য়াম্না নুংশিবা থাউ অসিদা Phenylethyl alcohol চাদা ২৭, Benzyl alcohol চাদা ১২, Eicosane চাদা ৫.৬, Eugenol চাদা ৫.৬, n-tetracosane চাদা ৪.৪, Caryophyllene oxide চাদা ৩.১, 1-hexadecanol চাদা ২.৭, Methoxyeugenol চাদা ২.৪ অমসুং Benzaldehyde চাদা ২.৩ য়াওই। পাউদম অসিনা মখা তানা থাবল্লে পাম্বীগী লৈ অদু অলকোহলগী মতেংনা লৌথোকপা মহী অদুদা সাইতোতোক্সিক ওইবা ষ্টিরোইদশিং য়াওই।

পাউদম অমগী মতুং ইন্না থাবল্লে পাম্বীগী মনা শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু ইপিলেপসী হায়বদি শারৈ থুংবা অদুদা পীথক্তুনা লায়েংনৈ। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না স্পাজম হায়না খঙনবা তোংশা চপশিন্দুনা চৈনা ফাওবা অসিদা থাবল্লে পাম্বীগী মনা অদু ফজনা তকখাইরগা লৌবা অনঙবা মলম অদুনা তৈবদা থোইদোক্না কান্নবা ফল পীবা ঙম্মী হায়বসিনি। ঐখোয়না মতাং অসিদা খঙজিনবা য়াবদি স্পাজম অসি লায়না নত্তে অদুবু হেঞ্জিনখ্রবদি পুবা-থাংবা ঙল্লোইদৌবা মওংদা চৈনা ফাওহনবসু য়াই। লেবোরেতোরিদা চাংয়েং চথুবদগী খঙবা ঙমখরে মদুদি থাবল্লে পাম্বীদা মীওইবগী অশোক-অপন তৌবগী চৈনা অদু হন্থহনবা ঙম্বা মচাক য়াওই।



অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুং ইন্না থাবল্লে পাম্বী অসি ঈশিং অমসুং য়ু হায়বদি অলকোহলগী মতেংনা লৌথোকপা মহী অদু Staphylococcus aureus অমসুং অতোপ্পা বেক্টেরিয়া মখল খরা ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বসিনি। লেবোরেতোরিদা চথুখিবা চাংয়েং অমগী পাউদমগী মতুংইন্না থাবল্লে পাম্বীদা ত্যুমর হায়বদি অপোম-অতং তৌবা অসি মখা তানা শংদাকপা ঙমহন্দে হায়রি।

পাউদম অমগী মতুং ইন্না থাবল্লে পাম্বীগী অয়াম্বা মশাশিং অসি হূ চেল্লি হায়না চেকশিন ৱা থল্লক্লি। কনাগুম্বা মীওই খরদা থাবল্লে লৈগী লৈনম অসি মতম শাংনা নম্লবদি নীংশা শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা অমদি হাক্কৎচবা ফাওবা য়াই। আজমা তৌবা মীওইশিংনা থাবল্লে পাম্বীগী লৈগী মনম অসি তোয়না নম্বীদনবা খঙহল্লি মরমদি মদুনা মীওই অদু নাতোন অমসুং খৌনাও হাক্কৎচবা, হেঞ্জিল্লক্লগনা কোক কন্না চিকপা, ওবা অমসুং অতোপ্পা লায়ওংশিং উৎলকপা য়াই। অতোপ্পা পাউদম অমদনা থাবল্লে পাম্বীগী মরূ অসি চাশিনলুরবদি লায়হৌ তৌবা, মিহুন য়াঙনা হুনবা, তিন ওরো-ওরো তাবা অমসুং পূক নুংশিৎ কাবা অমসুং শাওগৎপা তৌরকপা য়াই। অদুবু অখঙ-অহৈ খরনদি মদু চুমদবসু য়াই হায়রি। অদুম ওইনমক থাবল্লে পাম্বীগী মনা পাউন্দ ১৫ রোম ষণ (cow) দা পীজদুনা য়েংবদা ষণ অদু মতীন ওরো-ওরো তারগা মতম খরগী  মতুংদা শিখি। মরম অসিনা থাবল্লে পাম্বী অসি কৈদৌনুংদা চাবীরোইদৌবনি হায়বগী চেকশিন ৱা লৈ। ◄◄


### সুধাকর (শামু) বু পাউচেগী থোঙদা থাগৎচরি



সুধাকর

সগোলবন্দ খম্নাক লৈরক ইম্ফাল (আই টি আই) মনাক্তা লৈবা নুঙগী লায়েংবা ওজা লাইশ্রম নবকিশ্বরগী মচানিপা লাইশ্রম সুধাকর (শামু) না ওজাগী মহুৎ শিন্দুনা লায়েংবীবদগী ঐগী ঈশিং মরীদা লৈরম্বা 6.4 mm গী নুঙ অদু তারে। হৌজিক্তি হকচাং য়াম্না নুংঙাইরে। মসিগীদমক লাইশ্রম সুধাকর (শামু)বু পাউচেগী থোঙদা থাগৎচরি।

*থাগৎচরিবা :* য়াম্বেম তোম্বা সিংহ
চিংমৈরোং মনিং

HL-P/4192/25,26,27

### DOCUMENT LOST

I have lost my Original Certificate, Marksheet & Admit Card of HSLC Examination, bearing Roll No. 5306 of 1976 issued by BOSEM & Original Certificate, Marksheet & Admit Card of Hr. Sec. Examination, bearing Roll No. 91 of 1978 issued by COHSEM on the way from Nongmeibung to Bazar on 13/05/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

I have already published on 15 May, 2018.

Sd/- **Nongthombam Rebika Devi**,
Nongmeibung, # 8730837282

HL-P/4299/25

### ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

থোংজু পার্ট-২ দা লৈবা ইম্ফাল পব্লিক স্কুলগী নোংপোক থংবদা ০.৬ পাক চাউবা য়ূম য়াওবা ইঙ্খোল অমা অথুবগীদমক য়োঞ্জরি। কনাগুম্বা পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাদা পীরিবা কন্টেক্ট নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবীয়ু।

HL-P/4302/25 **Contact : 8794788362**

### লৌ য়োঞ্জরি

ককচীং লমখাই লাইজিং লৌকোলদা লৈবা পোইন্ট ১৯১ একর (0.191 acre) চাউবা লৌফম অমা করিগুম্বা অচিনবা অমগীদমক অথুবদা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বা পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদগী অকুপ্পা মরোল খঙবীবা য়াগনি।

HL-P/4303/25,26 **Contact : 9862594703**

**OFFICE OF THE PRINCIPAL**
**STANDARD COLLEGE KONGBA,**
**IMPHAL EAST**

**(Practical Examination)**

**NOTICE**

Imphal, the 24th May, 2019

No. SC-14/U-Exam(II)/16 : Notified that the B.A./B.Sc 6th Semester Practical Examinations 2019 (May) will commence from **27th May, 2019** respectively. Details can be obtained from the college Notice Board.

So, all concerned candidates are informed to appear the examination without fail.

Sd/- **M. Kumar Singh**, Principal
Standard College Kongba, Imphal

HL-P/4304/25

### REGISTER TOURAGANI

The People's Upliftment Society, Tarung Thangmeiband, Imphal West, Hairiba society asi Register Touragani. Maram aduna kanagumbana haijariba asida yetpiningba leirabadi numit 20 nigi manungda yetpirakpa yagani. Matung tarakpa wakat loujaroi.

*Sd/-* **Kahaopou Riamei,**
President,
The People's Upliftment Society
Tarung, Imphal West

HL-P/4193/25

### SAINIK SCHOOL IMPHAL
**WALK-IN-INTERVIEW**

| | | |
|---|---|---|
| Name of Post | : | **GENERAL EMPLOYEE (Contractual)** |
| No. of Posts | : | **16 (Sixteen)** |
| Qualification | : | **Matriculation or equivalent** |
| Age limit | : | **18 yrs - 50 yrs.** |
| Interview Date | : | **28th May 2019 (Tuesday) at 1100 hrs.** |

Interested candidate(s) may attend the walk-in-interview on the given date/time at Sainik School Imphal, in possession of original certificates & testimonials. The school administration reserves the right to cancel the vacancy due to administrative reasons.

HL-P/4299/25




HL-P/6192/9,12,15,18-30

### WANTED
**BAKERY ASSISTANT & SALES GIRL**
**Contact for details : 9366498691, 9862640102**

HL-P/3864/23,24,25




HL-P/4195/25


## মরোল থোকপা লাই




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।